

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা খ্বাইদগী থুনা সিক্স ৩০০ য়ৈবগী রেকোর্দ থমখ্রবা কিংস এলভেন পঞ্জাবকী বেটসমেন ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা খৃস গেল*

*মীয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রবা মমাঙদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*



## সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা থোইদুনা সুল্টান অজলান সাহ কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*ইপো (মালেসিয়া), মার্চ ৩০ঃ*



মালেসিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা থা অসিগী ২৩ দগী মালেমগী হোক্কী শান্নবা লৈবাক ৬ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী টিম রাউন্দ রোবিন মেটচতা মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা মেটচ অমনা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ১৩ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী টিম্না রাউন্দ রোবিনদা মেটচ ৫শান্নখিবদা মেটচ ৪ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমনা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ১৩ ফংখ্রবসু ইন্দিয়ানা গোল দিফরেন্সতা হেনখিবদগী অনীশুবা পোজিসন তারগা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা শান্নখিবনি।

ইপোদা লৈবা অজলান সাহা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা অকনবা এটেক তৌদুনা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিমরনজিৎ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা এটেক কয়া চত্থদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু কাউন্টর এটেক কয়া তৌদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা অদু অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবা মায় পাকপা ঙম্মখিদবদগী ইন্দিয়ানা ১–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমদা জোংহ্যুন জাংনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম খনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওট তৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৪গী মনুংদা অনীখক্তমক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৫গী মনুংদা ৪ না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল অদু সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

## ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## সি ঐচ ৱাই য়ু সি, পুংদোংবম অমদি সেক্তা (এ) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ*



ৱাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী ইবুধৌ খম্লাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ তরেৎ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চাল্লৌ, পুংদোংবম এফ সি অমদি সেক্তা (এ) মায় পাকখ্রে।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চাল্লৌনা সোপলেং এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ এল অঙৌবনা মিনট ৮, জর্সি নম্বর এন জি ইংলাননা মিনট ২৮ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এ মাইঙৌনা মিনট ৩৪ দা চনখি।

মায়থিহৌরবা সোপলেং এফ সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ মার্থোনা মিনট ২১ দা চনখি।

১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা পুংদোংবম এফ সিনা এন ৱাই এ (এ) নোংদমবু গোল ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পুংদোংবম এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ পোইরৈতোননা মিনট ৪, ৮, ৩৯ দা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ৭ তেলহৈবনা মিনট ১৪, ৩৬ তা গোল অনী অদুগা জর্সি নম্বর ১৫ ৱাটসননা মিনট ৩০ দা গোল অমা চনখি।

মায়থিরবা এন ৱাই সি (এ) নোংদমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এস রুনিনা মিনট ২২, ২৬, ২৯ দা গোল অহুম অদুগা অতোপ্পা গোল অমনা জর্সি নম্বর ৯ এল বোইতোননা মিনট ৩২ দা চনখি।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সেক্তা (এ) না ৱাই এস দব্লিয়ু সি সবুংখোকপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সেক্তা (এ) গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ ৱাই চিটরঞ্জননা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এল রোবিনসননা মিনট ৩১ দা চনখি। মায়থিরবা ৱাই এস দব্লিয়ু সি সবুংখোককী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ রাজুনা মিনট ৩৬ তা চনখি।

১৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দনা এ এস এস এ নোংপোক সঞ্জেনবম অমদি সেক্তা (বি) গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

এ এস এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এম তাইবংঙাবনা মিনট ৪০ অমদি জর্সি নম্বর ৩০ এম রোজরনা মিনট ৪১ দা চনখি। সেক্তা (বি)গী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এস ঐচ বিজেননা মিনট ১৬ অমদি জর্সি নম্বর ৬ এন জোনসননা মিনট ৪ দা চনখি।

হয়েংগী মেটচতা সেক্তা (বি) অমদি এম ৱাই সি না অহানবা মেটচ অদুগা লম্লাই এফ সি অমদি এন ৱাই সি (এ) না অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

## ইসা সিংহনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল জুনিয়র ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*টাউয়ুৱান, মার্চ ৩০ঃ*





চাইনিজ তাইপৈগী সিটি টাউয়ুৱানদা চত্থরিবা ১২শুবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল জুনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ইসা সিংহনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল জুনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর ইসা সিংহনা পোইন্ট ২৪০.১ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর য়ুন সিওনজিওংনা পোইন্ট ২৩৫.০ দা সিলভর মেডল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্থু লৈবাক চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর য়ু–জুন চেননা পোইন্ট ২১৪.৮ দা ফংখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর হরসাদা নিথাভে অমদি দেভান্সি ধরমা মথংশিৎনা ৫শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসন তাহৌখি।

টিম ইভেন্টতা সাউথ কোরিয়ানা পোইন্ট ১৬৯৪ স্কোর তৌদুনা অহানবা, ইন্দিয়ানা ১৬৮৭ স্কোর তৌরগা অনীশুবা অদুগা চাইনিজ তাইপৈনা পোইন্ট ১৬৫২ স্কোর তৌরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র মেনগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সারাবজোৎ সিংহনা পোইন্ট ২৩৭.৮ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি। মহাক্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা স্কোর ৫৭৯ ফংলগা মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর কিম ৱোজেংনা পোইন্ট ২৩৬.৬ স্কোর তৌরগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলনা ইন্দিয়াগী সুট্টর ভিজয়ভির সিধুনা পোইন্ট ২১৭.৫ দা ফংখি।

নুপাগী ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৭১৮ স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন ফংখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্থু লৈবাক চাইনিজ তাইপৈনা পোইন্ট ১৬৯৯ স্কোর তৌরগা অনীশুবা অদুগা সিঙ্গাপোরগী টিম্না পোইন্ট ১৬৮৭ স্কোর তৌরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## ৩শুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯
## সভেন ষ্টারনা তোলহৈ এফসিবু ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ*



য়ূঠ দিভলপমেন্ট কম্মিতি (ৱাই দি সি) য়াইরিপোক খোইরোমনা শীন্দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাংজৈবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চত্থরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচতা সভেন ষ্টারনা তোলহৈ এফ সি তেন্থাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা মাগী মাগী এটেক্কিং এরিয়াশিংদা এটেক চত্থনদুনা প্রেসর পীশিন্নখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইরমদাইশিংদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা গোল ওন্থোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং ফংখ্রবসু টিমশিংগী গোলকিপরশিংনা নীংথিনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল অমত্া চন্নহন্দনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সভেন ষ্টারনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্দুনা মেটচ অসি মায় পাক্নবা হোৎনরক্তুনা তোলহৈ এফসিগী মায়কৈদা এটেক হেঞ্জিল্লকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ২৮ দা সভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১০ বেলকিনা তোলহৈ এফসিগী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তাঞ্জানা মেটচ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল ওইদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম থোনখি।

অপীবা মিনট লোইরবা ফাওবদা গোল শোত্থরিবা তোলহৈ এফসিনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংদুনা সভেন ষ্টারনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপা মেটচ ওইনা এপ্রিল ১ দা এঞ্জেল এফসি অমদি চরাংপাৎ এফসিনা নুংথিল পুং ২ তাবদা অহানবা মেটচ ওইনা শান্নগনি। অদুগা এফ সি সঙাই উরুপ আরপতিনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

## কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মোহালি, মার্চ ৩০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টি–২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে।

৯শুবা মেটচ অসিগী টোস য়ুম্থু টিম ওইখিবা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মুম্বাইনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি।

মুম্বাইগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম ফজরকখি। ওপনর কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা বোল ১৮ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩২ দা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সুরিয়াকুমার রন ১১ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর ক্বিন্টোন দি কোকনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৩৯ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা য়ুবরাজ সিংহসু রন ১৮ লৌরমখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন হর্দিক পান্দিয়াগী রন ৩১ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মায় পাক্নবগী রন ১৭৭ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ১৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট অনীখক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী ইন্নিংস হৌবদগী ফজরকখি। ওপনর খৃস গেল অমদি অহুমশুবা বেটসমেন মায়াঙ্ক অগরৱাল মথংশিৎনা রন ৪০ অমদি ৪৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ওপনর লোকেস রাহুল অমদি ৪শুবা বেটসমেন দেবিদ মিল্লরনা আওট ওইনা মথংশিৎনা রন ৭১ অমদি ১৫ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ক্রোসৱার্দ ১১৭ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
| S | C | R | A | P | | M | A | C | E | | A | D | A | M |
| A | L | O | H | A | | I | D | O | L | | L | O | R | E |
| M | A | D | A | M | | M | O | I | S | T | E | N | E | D |
| E | N | S | | E | D | I | B | L | E | S | | O | N | A |
| | | | S | L | I | C | E | | | P | E | T | A | L |
| P | O | S | T | A | L | | | L | A | S | T | | | |
| A | B | L | Y | | E | L | F | I | N | | E | P | I | C |
| S | O | U | L | | M | I | A | M | I | | R | O | D | E |
| S | E | M | I | | M | O | D | E | M | | N | O | E | L |
| | | | S | C | A | N | | | A | R | A | R | A | T |
| E | A | R | T | H | | | H | O | T | E | L | | | |
| A | B | E | | A | S | H | A | M | E | D | | U | M | A |
| S | O | L | I | T | A | I | R | E | | S | E | T | U | P |
| E | V | I | L | | G | L | E | N | | E | L | A | T | E |
| D | E | C | K | | A | L | M | S | | A | S | H | E | S |

## মীয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ফেদরর অমদি ইসনর শান্নরগনি

*মীয়ামী, মার্চ ৩০ঃ*

য়ু এস এগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ফ্লোরিদাদা লৈবা সিটি মীয়ামী গার্দেনদা চত্থরিবা মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি য়ু এস এগী জোন ইসনর লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ২০শুবা সিদেদ কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অদুগা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ৭শুবা সিদেদ য়ু এসকী জোন ইসনরনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদাগী ফেলিক্স ঔগরবু টাই ব্রেক সেট অনীদা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমদি ১২শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি লম্বা তৌনরগনি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এস এগী বোব ব্রাইন অমদি মাইক ব্রাইননা নেদরলেন্দসকী ৱেসিল কুলহোফ অমদি গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমদি চাইনাগী ঝাং স্বাইননা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমদি ভেলারসকী অরিনা সবালেনকা লম্বা তৌনরগনি

## কিদম্বী স্রিকান্থ ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপীগীদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ঃ*





লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা চত্থরিবা ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা কিদম্বী স্রিকান্থ নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী হুৱাং য়ুজিয়াংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপপু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওগী মখূত্তা ২১–২৩, ১৮–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে।

চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমদি এপ্রিয়ানি রাহায়ুনা ৩শুবা সিদেদ মালেসিয়াগী চৌ মৈ কুৱান অমদি লি মেং য়িনগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র গ্রেসিয়া অমদি এপ্রিয়ানিনা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা পেয়র দেল্লা দেষ্টিয়ারা অমদি টানিয়া ওক্তাভিয়ানিবু ২১–৯, ১৯–২১, ২১–৫ দা থোইরম্বনি। অদুগা মালেসিয়াগী পেয়র চৌ মৈ কুৱান অমদি লি মেং য়িননা ২শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী জোংকোলফান অমদি রাৱিন্দাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৯, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংনা ৫শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী প্রভিন দোরদান অমদি মেলাটিগা শান্নরগনি।

চাইনাগী পেয়রনা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ অমদি গ্লোরিয়াবু ২১–১৩, ২১–১৬ দা থোইরমখি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী প্রভিন অমদি মেলাটিনা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী লি য়াং অমদি য়াং চিং টুননা ২১–৯, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ চাইনাগী হান য়ুবু ২১–১৫, ১৯–২১, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমদি বি সুমিথ রেদ্দি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিক্কী কারান্দা অমদি অঙ্গা প্রাতামাগী মখূত্তা ১২–২১, ১৭–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিক্কী কারান্দা অমদি অঙ্গা প্রাতামানা ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী কিম অষ্ট্রুপ অমদি এন্দর্স স্কারুপপু ২১–১২, ২১–১৮ দা থোইরম্বা চাইনি চাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং চি–লিনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র দানেসিয়াগী পেয়র রিক্কী কারান্দা অমদি অঙ্গা প্রাতামাগী মখূত্তা ১২–২১, ১৭–২১ দা মায়থিহৌখি।